ইরৈবাক
ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১, ২০২২ ইং

কমদৌরিবগে য়েংশিনসি

মনিপুরগী লৈঙাক অসিনা লমদমসিগী মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক হিরম কয়াদা মখল-মখা কয়াগী স্কিম কয়া অমা পায়খৎলক্লি। হায়রিবা স্কিমশিং অসিগী মনুংদা লমদম অসিগী মীয়াম হকচা ফনা লৈনবগী লমদা অহেনবা মীৎয়েং চংলকলিবা অসিসু অমনি হায়বা য়াই। মতম কয়াগী মমাংদগী বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অমা মনিপুরদা লাকপসিদা অওনবা খরদি লাক্লে। নিংশিংবা য়াবদি টার্ম অনী শুজিল্লক্লিবা লৈঙাক খূৎপু অসিগী লুচিংলিবসি নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংলক্লি। ষ্টেট অসিমক্তি ইন্দিয়াগী অৱাং-নোংপোক চিদাইদা লেন্দলোক ওইবা লমদম অমা ওইনা ফুরুপ কয়ামরুম্না খুন্দা লৈতাদুনা লৈরক্লি। হিরম খুদিংমক্তা শোত্থনা অমদি অৱাৎ-অপা কয়াগা লোয়নরিবা লমদম অসিগী শেন্মিৎলোনগী ফিভমসু ফৎত্রি। শেল-থুমগী অৱাৎপা কয়ামরুমগা লোয়ননা হকশেলগী লমদমসু য়াম্না চাওনা শোত্থনা লৈরি। লৈত লাইরবা ইমুং মনুংগী মীওই কয়ানা অনা-অয়েক য়াওরকপা মতমদা হোস্পিটালদা চত্তুনা লায়েঙবা ঙমদবদগী খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্নরি। লৈত-লায়রশিংনা অনা-অয়েক য়াওরকপদা হোস্পিটালদা চত্তুনা লায়েংবা ঙমদবগী অৱাবা অসি কোক্লনবা চিফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেঙবাং, সি এম ঐচ টি স্কিম হায়বা অমা হৌদোরক্লিবসি থাগৎনিংঙাইনি।

হকশেলগী লমদা পায়খৎলকপা থবকশিংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হৌদোকখিবা পি এম জে ৱাই গী স্কিম অসি লমদমসিগী লৈত-লাইরশিংদা খুদোংচাবা পীনবগী পান্দমদনি। স্কিম অসিগী মখাদা লুপা লাক্ষ ৫ গী খুদোংচাবা পীদুনা লেম্না লায়েংবা ফংহল্লি। স্কিম অনী অসিনা লমদমসিদা লৈরিবা মীওই কয়ামরুমদা অনা লায়েংগী খুদোংচাবা ফংহনখ্রে। হৌখিবা চহীদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী চহী ৭১ শুবা মপোক নুমিৎকা মরি লৈননা লৈবাক অসিদা মীয়ামগী সেবাগীদমক পায়খৎলকপা থৌরাংশিংগী মনুং চন্না হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১৭ তা মনিপুরগী চিফ মিনিষ্টর এন বিরেন্নসু হেলথ ফোর ওল স্কিম হৌদোকখি। হায়রিবা স্কিম অসি হৌখিবা চহীগী ওক্টোবর থাগী অঙনবা শরুক্তগী থবক হৌরকখিবনি স্কিম অসিগী মখাদা হেলঠকা মরি লৈনবশিংনা চীং অমসুং তমগী মনুং হুঞ্জিনবা মফমশিং য়াওনা য়ুমথোং খুদিং চংদুনা অনা-অয়েক য়াওবশিং চাংয়েং তৌবগী পীন্দম থমখিবনি। চাংয়েং তৌবসিদা অরুবা লায়না মখল খরা ফাওবা নন কম্যুনিকেবল ডিজিজশিং স্ক্রিনিং তৌবা অমদি হার্ট দিজিজনচিংবা ট্রিৎমেন্ট তৌবনচিংবা য়াওরি। স্কিম অসিগী মপুং ওইবা পান্দমদি মীপুম খুদিংমক অনা-অয়েক য়াওদনা মশা-মউ ফনা লৈনবা তিঞ্জং কায়জংদবা খুন্নাই অমা শেমগৎনবনি। মতৌ অসুম্না লৈঙাক্না পায়খৎলক্লিবা স্কিম অসিনা কদাই য়ৌনা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না কান্নবা ফংলিবগে হায়বসিসু লৈঙাক্কী মরি লৈনবা মেছিন্নরিশিংনা কুপ্না য়ংশিনগদবনি। ফনা ফজবা স্কিম ওইরবসু থবক্তা ওন্থোক্কদৌরিবা মেছিন্নরিশিং অসিনা পুকচেল শেংদ্রবদি মীয়াম্না লৈঙাক্কী পান্দম য়ৌবা ঙম্লোই হায়বসিসু লৈঙাক্না হেক হেক নিংশিংশি।

মীওইবগী পূন্সি অমসুং চিঞ্জাক

শগোলশেম ইন্দ্রমনি

এজমা তৌবা মীদা অসুম্না তৌরুরবদি অনাবা হেক হৌগনি, শ্বর ফুনগনি। মখোল ফি ফি লাউনা থোক্কনি। অদুগী মতুং হন্না লাকপা খোঙচৎতা (re-action) নুংঙাইতবা খুদম পূম্নমক মাঙখিগনি। মতুংদা শ্বর অদু ফজনা হোনবা য়াগনি।

ঈশিং অঙ্গৈংবা মফম অদুমক্তদা মি: অনিদং থোল্লগা লৌথোক্লবদি, হার্টকী থবক হেনগৎহনগনি ঈ উতোংদা নমদুনা থবক তৌহনগনি অমসুং অকনবা থবক পীগনি। থাউ থোকহনবা মনুংগী উনশা অপাবা মপ্রাম ঈশিং অঙ্গৈংবা পীরবদি উনশাদৌনা (শোকপদা) শিংদ্রবসু উনশাগা চপ মান্নবা মওংদা থোকহনবা য়াই। অঙ্গৈংবা ঈশিংনা ময়াই কাহনবা নৎত্রগা শোন্থ শিথহনবা রিফ্লেক্স এক্সন পুরকপা য়াই ঈশিং অঙ্গৈংবগী এনেমা অমসুং ঈশিং অঙ্গৈংবা থকপনা কনখ্রবা লাইহৌ থেংনবা ঙমই। ঈশিং অঙ্গৈংবা থকচীল্লগা হার্টকী মীহুন অসি ১০/১২ মিনিট অমদা তাথহনবা য়াই।

অদুনা মী অদুগী মশাগী অবস্থা অমসুং ঈশিংগী চাং অমসুং ঈংবা ৱাৎপা হেনবগী চাংদা পুন্নমক অসি লৈ। মশা অদুক্কী মতীক শারগা হায়রিবা অসি পুন্নমক লেঙদনা থম্বা ঙমই। য়াম্না চোকথরবা মতমদা ঈশিং অঙ্গৈংবা মনুং অমসুং মপান্দা শীজিন্নবা য়াদে। মরীগী পাঙ্গল ফরবদি ফৈ। কান্নদনা অদুম চত্থগনি। মরীদু শোল্লবদি মনুংদা ঈ পুন্দুনা লৈখিদুনা অৱাবা থোক্তনিঙাই লৈতে। চোকপু চোকথদ্রবদি হুমাং য়াম্না শৌরবসু অঙ্গৈংবা থকপা য়াই। থবক কন্না শুরূবদগী মীহুন থুরিঙৈ নৎত্রগা হেনমন্না থক্তবদি অদুগা উন য়াওবা মহী থক্ত্রবদি অদুম থকপদা কায়দে।

ঈশিং অঙ্গৈংবসি থবাক্তা থোম্বা অমসুং য়ৈবদা শ্বর হোনবগী ইন্দ্রি অসি সারকুলেসন ফগৎহনবগা মান্নদনা, শ্বার হোনবদা নুংঙাইহন্দে। অসিসু শাংনা তেন্না থোম্বদা অমুক্কসু খেন্নবা লৈ য়াম্না থুনা থোম্বদি শ্বর তেনবা শ্বর মপী হোল্লি। ঈশিংগী অঙ্গৈংবগী দিগ্রী মতুং ইন্না থোম্বদা, তেনবা অমসুং সাংবগীসু মতুং ইন্না হোংহনবা হকচাংগী ফিভম কয়া অসি লাকহল্লি। ঈশিং অঙ্গৈংবদা হকচাং পুন্নমক লুপশীল্লবদি শ্বর থুনা হোল্লকপদা লোয়নৈ। অদুদগী সুম তপথদুনা শাংনা অমসুং মপুংফানা হোল্লি।

এজমা তৌবা মীদা অসুম্না তৌরুরবদি অনাবা হেক হৌগনি, শ্বর ফুনগনি। মখোল ফি ফি লাউনা থোক্কনি। অদুগী মতুং হন্না লাকপা খোঙচৎতা (re-action) নুংঙাইতবা খুদম পূম্নমক মাঙখিগনি। মতুংদা শ্বর অদু ফজনা হোনবা য়াগনি।

মসল অসি ঈশিং অঙ্গৈংবদা লৈরবদি শিথরকই, তাইফেৎ তাই। ধোবীগী খুৎনা তাইফেৎ তাইরিবা অদুনি। অদুগা থুনমক ঈশিং য়ৈবা নৎত্রগা থুনা কুইদনা স্প্রে কাপশিল্লবদি উনশাদা পীবা মওং অদুগা খেন্নদে। থবক ঙমম্নবগী পাঙ্গল হেঙ্গৎহল্লি। নিকইবদু হান্না লৈজরম্বা অদুদগী ময়াই কাবা হেঙ্গৎহন্দুনা মৈশা মতোমদা হেঙ্গৎচবগী থবক মখল অমনি। অদুগা শাজেল নৎত্রগা থবক কন্না শুরূবা মতুংদা সেকেণ্ড চয্ব গী মনুংদা হেক লুথোকপদি হকচাং হঙ্গৎচনবগী মরু ওইবা উপাই ওই।

তৌবদবু ঈশিং অশাবদা হান্না লুরগা লোইশিনবা ওইনা অঙ্গৈংবা ঈশিং অদুনা হকচাংদা সেকেণ্ড চয্ব চঙনা তক্কদবনি। অদুগা ফি থুনমক শেৎচিনগদবনি। লুম্না লৈগদবনি। পেরেদা লুবসু ফৈ। হকচাংগী মফম অমদা ঈশিং খজিক্তং খীকপদা তু চুংই। ঐখোয়না কন্ট্রোল তৌবা ঙম্বা মসল্না ঈশিং য়ৈবদা মফমশিং অদু থোইনা লেঙদ্রবসু ঐখোয়না কন্ট্রোল তৌবা ঙমনবা তু য়ুংখৎহনবা ভলুন্টারী মসলশিংদু মরাই কাহন্দুনা তু য়ুংখৎলকই, চুংলকই। খোঙদা ঈশিং খরা চোংবদা তু চুংই। অদুনা খোঙ অমসুং চনীংদা ঈসিং অঙ্গৈংবা হেক থাবদা নৎত্রগা পীবদা মী অদু ঈশিং চৎনীংগনি অমসুং মাংথোকনীংলক্কনি।

ঈশিং অঙ্গৈংবা হকচাংদা নৎত্রগা হকচাং মচেৎ অমদা নৎত্রগা ইন্দ্রি অমদা থাবদা নার্ভসেন্টার ফাওনা চঙখিবনা মরীদগী ওইবা ফল ফংই। ঈশিং নীংথিজনা শীজিন্নরবদি মরীগী থবক ঙম্বগী পাঙ্গল লেপশিনজবা ঙমহল্লি। অমসুং মদু শীজিন্নবসু ঙমহল্লি। মরীগী সেলশিং অসি অমগা অমগা শম্নদুনা মথং মথং লৈতে। নার্ভ অমগী সেলগা অতোপ্পা নার্ভ অমগী সেলগা মখোয়গী পোৎশক অসি পীকখ্রবা শাংদোকপা অমনা (স্প্রদ্ধঙ্গন্ধনস্গ০) শমজিন্নে।

কর্সিঃ স্নেহ পব্লিকেসন্স

য়াওশঙ কুম্মৈনা অমতা ওইনা নুংশিননা নোকমীন্নবা

জয়েন্ত সরাংথেম, খোইরোম

তাং ২৪ ।৯ ।২২গী মখা

শু-নোমদুনা ৱারুরবা মতুংদা মহৈ-মরোং লোকপা লোইবগা পাঙথোকপা খুনগী লাই হরাওবনা খুন অদুদা লৈমীন্নরিবা খুঞ্জশিংগী মরক্তা অফবা মরী অমদি নুংশিনবা হেনগৎহনবতা নত্তনা ৱারুবগী ঙাইহাক নুংঙাইথোকপগী থৌরম অসি মীয়েং শান্না উবা ঙম্বা ইপা ইপুশিংনা কয়াদা ফজনা তুংদা লাক্কদৌরিবা মীরোল ঐখোয়গীদমক শেম্বীরল্লীবনো।

মতম খরা উরুদ্রবা য়াওশঙগী ফিজোল শেত্তুনা লৈকাইগী নুংশি-নুংশিরবা পীক্লিবা অঙাংশিংনা শেল খায়বা লাকপা অমদি খুন-খুনগী ক্লবনা য়াওশঙ স্পোর্ট শিনদুনা নহা অহল খায়দনা খুনগী লমপাক্তা ময়ামনা নোক-খেদুনা শান্ন-খোৎনবা তৌদুনা অঙম্বা তান্নবা উরুবদা থম্মোয়দা হায়নীংঙাই লৈতনা নুংঙাইবা ফাওই।

য়ামনা নুংশিবা য়ামনা নোকনিংবা মশান্না কয়াসু য়াওরি। থৌরম অসিনসু অমগা অমগা শাওনবা অমদি য়ানরমদবা মীওইশিংগী মরক্তা লৈনরম্বা কয়াসু ঙমনমক নমহত্তুনা অমুক চান্নবা মরুপ ওইখ্রে। অফবা ওইরদি মীগী মতৌ তম্বা করিশু কাইদবরা খল্লি। শু-নোমদুনা ৱারুরবা মতুংদা মহৈ-মরোং লোকপা লোইবগা পাঙথোকপা খুনগী লাই হরাওবনা খুন অদুদা লৈমীন্নরিবা খুঞ্জশিংগী মরক্তা অফবা মরী অমদি নুংশিনবা হেনগৎহনবতা নত্তনা ৱারুবগী ঙাইহাক নুংঙাইথোকপগী থৌরম অসি মীয়েং শান্না উবা ঙম্বা ইপা ইপুশিংনা কয়াদা ফজনা তুংদা লাক্কদৌরিবা মীরোল ঐখোয়গীদমক শেম্বীরল্লীবনো।

খুনগী লাই হরাওবনা খুনদুগী মী হরাওহল্লি। খুনদুদা লৈমীন্নরিবা মীওইশিং হরাওরবদি খুনদুদা খৎন-চৈনবসু থোক্তে। খৎনবগী মহুত্তা মখোয় মশেল ফগী তৌনদুনা মমোন নোকমীন্নে। অসিগুমনা য়াওশঙ কুম্মৈ অসিনসু ঐখোয় মশেলগী মরক্তা হান্নদগী মরম অমা নত্ত্রগা মরম অমনা লৈনখিবা থম্মোয়দা লৌথুপ লৌকোই লৈনরম্বা কয়া অদু নথৈদুনা নোকখেদুনা চামীন্নে অমদি য়াওশঙ স্পোর্ট য়াওমীন্নদুনা মখোয় মশেল কৌনা ঙাংনদুনা হেন্না অনকপা মরী অমা লৈনহনদুনা মচিন মনাওগুম খলহল্লি। মসিনি য়াওশঙ কুম্মৈ অসিগী ফজবা শক্তম।

মথোৎ কারক্লিবা নহাশিংসু য়াওশঙ থাবল মফম-মফম কয়াদা পাঙথোক্তুনা শাবী শানৌ কয়ানা মাগী-মাগী থম্মোয়না পামজবা খঞ্জনবগী থৌরম অসিসু য়ামনা ফজৈ। থৌরম অসি মালেমগী মফমদা তাংনা থোকই। পুন্সি হায়বসিসু য়ুম পানদবা য়াদে। লাইরবা খুন্নাই অমা ওইরকপনা মমাঙ- মমাঙ হাক্তক্তা মনিপুরদা হায়না শিংনদুনা অউনপোৎ পীরগা লুহোংবগী চৎনবী লৈরমদে। য়ুম পাল্লবদি মশা-মশানা য়ান্নজবা নুংশি লিপুন্না পুনবা নুপা নুপী য়ামনমক মথৌ তাই। নত্ত্রবদি য়ুম পাল্লবা মতুংদা ওইরকপা ইমুং অদু কয়া নুংশি-চাননা লৈমীন্নবা খরদি ৱাৎপা জাৎনি।

ৱাফমশিং অসি ৱাখল তৌদুনা লাই ওইখ্রবা ইপা ইপুশিংনা শেম্বীরল্লবা য়াওশঙ থাবল অসিসু কয়াদা নুংগী অর্থ লৈরিবনো ?

লময়ানবা হিজম ইরাবতনা য়াওশঙ কুম্মৈ মনুংদা লৈকাই-লৈকাইদা শান্ন-খোৎনবা শিনদুনা য়াওশঙবু অফবা মায়কৈদা পুরকনবা হোৎনরমখিবা কয়ানা ঙসিদি য়াওশঙ স্পোর্ট মনিপুরগী মফম কয়াদা পাক শন্না পাঙথোকনরক্লি। মসিনা ওইবা তাই শান্ন-খোৎনবদা মনিপুর অসি ইন্দিয়াগী স্পোর্ট হাউসনি হায়না কৌনরিবা অসি। লৈকাই-লৈকাইদা মাগী- মাগী ক্লবনা লুচিংদুনা য়াওশঙদা শান্ন-খোৎনবা পাঙথোকপনা ঐখোয় মশেল ঙাইহাক হরাওমীন্নবগী মথক্তা মীয়ামবুসু নদা-য়েক্তুনা মশা মউ ফনা থম্বদা চাউনা মতেং পাংগনি হায়জনিংই।

হায়নবা লৈ হকচাং ফবনা অথোইবা লননি। অদুনা খুন্নাই অমা চাওখৎপা অমদি য়াইফবা হায়বসি খুন্নাই অদুদা লৈরিবা মীওই অয়াম্বা মশা মউ শেংবা চঙই। মীপুম খুদিংমক শান্ন-খোৎনবগী হৈনবী লৈরদি নিশাগী ঈপাক্তা তাখিবদগী কনবসু ঙমগনি খল্লি। অসিতসু নত্তে মনিপুরনা মালেমদা শক তাকলিবা অসি মাগী কলচর অমদি স্পোর্টননি হায়বা য়াই। মীখল মমাঙদা কৌনবোই কৌনদবোই তৌনরম্বা কয়া অদুসু য়াওশঙ কুম্মৈ লাকপা অসিদদি মফম-মফম কয়াদা স্পোর্ট শিনদুনা অমগা অমগা নুংশিননা নোকমীন্নদুনা মচিন মনাওগুম অমুক অমতা ওইবগী লিপুননা নৌহৌননা অমুক পুনবদৌনা উরকপা অসিনি। থবক অমগী অফ-ফত্তা অনীমক্তি লৈবা তাবনি। নুপী মচাশিংনা লমবীদা থৌরি থত্তুনা অচৎ-অওক্তগী লুপা মঙা তরা লৌজবা অদুদি লান্না উবীবদি নুংঙাইজদে। কুম অমগী থোকপা কুম্মৈনি । কয়ামনবু শেল চাদিং ওইগদৌরিবনো? ফত্ত্রিবদি মী কয়া পুলপ-পুলপ লাক্তুনা মীগী শুমাংদা ইশৈ শক্তুনা শেল চাওনা-চাওনা শেল খায়বগী চৎনবী অসিনি।

থবক অমগী অফঋফত্তা অনীমক্তি লৈবা তাবনি। নুপী মচাশিংনা লমবীদা থৌরি থত্তুনা অচৎ অওংদগী লুপা মঙা তরা লৌজবা অদুদি লান্না উবীবদি নুংঙাইজদে। কুম অমগী থোকপা কুম্মৈনি । কয়ামনবু শেল চাদিং ওইগদৌরিবনো ? ফত্ত্রিবদি মী কয়া পুলপ-পুলপ

লাক্তুনা মীগী শুমাংদা ইশৈ শক্তুনা শেল চাওনা-চাওনা খায়বগী চৎনবী অসিনি। অসিতসু নত্তে লম্বী থিংদুনা অহিং থেংলবা ফাওবা য়াওশঙ থাবল চোংবা অসিসু য়ামনা নুংঙাইজদে। লমবী থৎপনা রোদ জাম থোকহল্লি। মসিনা অমুক চৎথোক-চৎশিন তৌবদা মীয়ামদা কয়া খুদোংচাহন্দে।

য়াওশঙ নুমিৎ মঙানি পাঙথোকপা অসিদি খরা শাংমনৱা খল্লি। মরমদি মসিনা হৌরক্লিবা নহাশিংগী লাই লাইশুদা অকায়বা পীরকনবগী অকীবা কয়া লৈ। য়াওশঙ মনুংদা লীলা তৌবা, ঈশৈ নোংমাই তোইনা তৌবা, থাবল তোইনা তৌবা অসিনচিংবা অসিদা লাউদ হোরোল শীজিমন্নবনা মরম ওইরগা অকোয়বদা লৈরিবা য়ুম অয়াম্বদি নেনা তানা চাবা তুম্বা য়াদবা অমদি অঙাংশিং লাইরিক পাবা য়াদবগী অৱাবা কয়া থেংনদবসু নত্তে। খুনগী লাইমাঙ ময়া অমদি খুনগী শান্নবুঙ ময়াদা লৈবা য়ুমশিংদি খোঞ্জেল হৌরবা কুম্মৈশিং অদুনা মরম ওইরগা য়ামনা অৱাবগী মশক ওইবসু য়াওনরে।

কুম্মৈ হরাওশিং অসি হেক লোইবগা বোর্ড অমদি কাউন্সিলগী একজামশিংসু লাক্লে। অদুনা হৌরক্লিবা নহাশিং মরু ওইনা লাইরিক লাইশুগী লমদা মসিনা খরদি অয়েৎপা পীগনি খল্লি। য়াওশঙ মনুংদগী চেনদবা লোয়ননা লল্লোন ইতিক তৌদবনা মরম ওইরগা ষ্টেগী শেন থুমদা চাওনা শফু পী। তৌরোইসি হায়জবা নত্তে। তৌসি। পাঙথোকসি। তৌবতদি মরম চনা অফবা অদু নীনী-হুমনী খক্তা তৌবদি করি কাইবগে ? চাথোকপা নুংঙাইথোকপনা শুবদগী হেল্লবা ইমুংনা কৈদৌঙৈদা নুংঙাইগনি থাজদে। মসিদনি ঐখোয়গী খুন্নাইগী অশোয়বা অসি। মশাগী কুম্মৈ হরাওগী মথক্তা মীগী কুম্মৈ হরাওসু মনিপুরদা পুশিল্লকপা লেপ্তে । অদুগা চাওখৎলবা মালেমগী লৈবাকশিংদা তৌনরিবা অফবা, হোৎনবা কনবা, শু-নোমবা কয়াদি মতৌ তম্বা ইউ উদে। মসিগী খুদমদি হেপি বার্থদে। মমিপুরদা হনদক কন্না চৎনরক্লিবা অমা হায়রগদি হেপি বার্থদে। মীতৌ তম্বা লেপ্তে। ফিজেৎ চাকচাদসু মদু মঙাই । অফবা তম্বদি করিশু কাইদে। অদুবু মীগী মতৌ তম্লিঙৈদা ঐখোয়গীনি হায়বা অদু কাওখিবদি ফত্তে। অরোইবদা য়াওশঙ কুম্মৈনা হরাও মোমোন নোক্তুনা অমুক ঐখোয় মশেল অমতা ওইখিবা অদুগুমনা লাক্কদবা মতমদসু অপুনবগী থৌরি তৎতবা ওইরসনু।।

ইদিটরদা চেল্লকপা পাউথাং

[illegible]

[illegible]

[illegible]



লৌশিংগী পুক্কে - ১২০৪
১০১/০৩

কষ্টদিয়ান, ইথোক-হন্দোকপা ঃ চনম হেমচন্দ্র

রেল্ খানা চাওপা।। নোংপোক্ মান্লং হুম্মোইপা।। চিঙ্ঙু কাইনৌ চীঙ্ঙু কাইনৌ চীঙসোম্পা।। থাঙ্ ৱায়্ মারা নিংথৌ।। খোইয়ম্ ৱোংচা চিঙ্মাপা।। ওংলৌরেল্ সোক্নাথীপা।। থংচিঙ্ মাঙ্তা লাইমরু।। চিঙ্ঙু নোংথৌ সরারেল্।। খোইয়ম্ মাচিন্ ৪ পাল্পা।। মাল্লেম্ লয্খানুংকি।। লয়ম লয্সক্ তানাপা।। য়াওরৌ সা থিংকুম।। থিংকু লাইয়িপীচা।। লাংকোই মোইসায়া সামু

রেল খানা চাওপা। নোংপোক মানলং হুমওইপা। চীঙঙু কাইনৌ চীঙসোমবা। থাঙঙাই মরানিংথৌ। খোইয়ুম ওংচা চীঙমাপা ওংলৌরেল শোকনাথীবা। থাংচীঙ্ মাঙদবা লাইমারু চীংঙু নোংথৌ সরারেল খোইয়ুম মচিন মরি পানবা। মাললেম লৈখানুংদগী লৈমা লাইশক শকতানবা। য়ারৌ শা থিংও। থিংগু লাইয়িবী মচা। লাংগোই মোইশায়া। শামু শারেল

লমায় অসিদা ফোংলিবা ফিচর আর্টিকলশিংদা পিরিবা মত অমদি লৌরিবা ফিরেপশিং অইবা মশাগীন- ইদিটর